হুইয়েন লানপাউ HUEIYEN LANPAO

# মশাগী চহী ৬০ হেল্লবী এক্ট্রেস Michelle Yeoh Choo না ২০২৩গী ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস নোমিনেসন ফংলকপা অমদি মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী

*- নানি*



"And I don't feel any fear in a sense, because I have every good intention in my heart. When you face up to bad things in the past, the most important thing is not to allow them to happen today or in the future, and as storytellers, we must play our part in that."

**- Michelle Yeoh**

Michelle Yeoh Choo, মালেসিয়ন-চাইনিজ এক্ট্রেস অসি পীশক পীক্লিঙৈ মশাগী চহী ৪ মপুং ফারকপদগী হৌনা জগোয় শাবা অমদি জগোয় তম্বা য়াম্না পামজরকখি। পুংকক চাউরক্লবা কান্দা Ballet টিম অমদা য়াওদুনা পর্ফোর্মেন্স পীবা হৌরকখি। লাইরিক-লাইশু হৈবা মমা-মপাগী মীৎয়েংখাদা চাউরকপনা মরম ওইদুনা মহাক লাইরিকসু নীংথিনা তম্লকখি। অদুবু মপানা মহাক্কী পামজবা অদুবুদি খক কাউবা লৈতনা মপুং পানা সপ্পোর্ট তৌবীরকখি। চাউরক্লবা মতমদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী রোয়েল একাদেমী ওফ দান্স, লন্দনদা মিং চন্দুনা মপুং ফানা তম্বা হৌরকখি। মহাক্কী মপা মমিং লৈবা লোয়র অমনি। মমৈথংদা পোলিটিসিয়ন অমসু ওইখি। অদুবু মহাক্না ballet য়াম্না পামজরবসু মহাক্কী স্পাইনেল ইঞ্জরি অমা লৈখিবদগী প্রোফেসনেল দান্সর অমা ওইবা তোকখি। অদুবু কোরিওগ্রাফর অমা ওইনা পূক্লিং চঙলকখি। মহাক ক্রিএটিভ আর্টসতা বি এনি অদুগা দ্রামাসু নীংথিনা তম্লকখিবা অদু ১৯৮২ দদি তম্বগী শরুক লোইশিনখি। মহাক্কী অশেংবা ফিরেপ অমগী খোঙথাংদা থাংবা হৌরকখি।

মশাগী চহী ২০ শুরকপা, ১৯৮৩দা ইহান হানবা ওইনা মিস মালেসিয়া ৱর্ল্ড কন্টেষ্টতা শরুক য়াদুনা মিস তাখি, মদুদগী মালেসিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা মিস ৱর্ল্ড ১৯৮৩ লন্দনদা অমুক শরুক য়াখি। মদুগী মতুংদগীদি ইহান হানবা ওইনা মমিং লৈরবা চাইনিজ এক্টর Jackie Chan গা টেলিভিজন কম্মর্সিএল প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়ামিন্নখিবদগী মহাকপু মীয়াম্না হেন্না খঙনবা হৌরকখি। Michelle Yeoh Choo, Kheng Michelle Khan হায়রগসু তেন্না খঙনবী শক্লাইরবী এক্ট্রেস অসি ১৯৬২গী ওগষ্ট ৬তা মালেসিয়াগী Ipoh, Perak হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মহাক্কী মপা শেল পায়বা মীশকনি লোয়নদা পোলিটিসিয়ন অমসু ওইখি। মখোয় লন্দনদা মপাগী থবক্কী মতুং ইন্না মহাক মশাগী চহী ১৫ শুরকপদগী লৈরকখি। মফম অদুদা মহাক্কী করিয়রগী ষ্টদি তৌবা হৌরকখি। লন্দনগী রোয়েল একাদেমী ওফ দান্সতা গ্রেজ্যুএসন লোইরকখিবীনি। একাদেমী অদুদা মপুং ওইনা ballet তমখি, অমদি পর্ফোর্মর অমসু ওইরখি। অদুগা দ্রামাসু নীংথিনা তম্লকখি। Michelle Asian এক্ট্রেস অমনা ইহান হান্না একাদেমী এৱার্দকী বেষ্ট এক্ট্রেস কেটগোরিদা নোমিনেসন ফংবা মীশক অমা ওইরি।

মহাক্কী মমিং লৈরবা ফিল্ম খরদং পনবা তারবদি- Yes Madam (1985), Police Story 3 (1992), Holy Weapon (1993), James Bond Series Tommoror Never Dies (1997), Ang Leegi Martial Arts Film Crouching Tiger, Hidden Dragon (2000) Memoirs of a Geisha (2005), Reign of Assassins (2010), Kung Fu Panda 2 (2011), Crouching Tiger, Hidden Dragon: Sword of Destiny (2016), The Lady (2011), The Last Christmas (2019) অমদি হন্দক ওস্কার নোমিনেসন ফংলিবা ফিল্ম Everything Everywhere All at Once (2022) হায়রিবশিং অসিখক পনবা য়াই। ফিল্মশিং অসি ইন্টরনেসনলগী মার্কেটতা অমদি ফিল্ম নৈনবা সার্কলশিংদা য়াম্না পোপ্যুলর ওইবা ফিল্ম ঙাক্তনি। মহাক BAFTA বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেসনসু ফংখ্রে। নোমিনেসন চঙলিবা ফিল্ম অসিমক্তদা মহাক গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস ফংখ্রবনি।

Michelle Khan এক্ট্রেস অসি মার্সিএল আর্টস ফিল্মসদনা হেন্না চুশিন্নৈ হায়না হায়নৈ। অদুগা মহাক মশানসু য়াম্না পামজৈ। মহাক্কী ফিল্মদা Stunt মথৌ তাদে। মশানা অদুম লোইনা তৌজৈ। মহাক্কী 'Yes Madam' হায়বা মার্সিএল আর্ট ফিল্ম অসিদগী মহাক্কী মায় পাকপগী খোঙ থাংবা হৌরকখ্রবীনি। অসুম্না Jackie Chan গা পুন্না এক্ট তৌমিন্নখিবা Police Story 3- Super Cop হায়বা অসি ওন্থোক্লা মমিং চৎখিবা ফিল্ম অমা ওইখি। জেমস বোন্দ সেরিজ দা Tommorrow Never Dies (1997) হায়রিবা ফিল্ম অসিদা মহাক্কী থবক্তা সেরিয়স অমদি কম্মিটমেন্ট লৈবা অদুদগী মহাক অসি ফিমেল জেমস বোননি হায়না ফাওবা ফিল্ম সার্কলগী মনুংদা হায়নখি। মসিগী ফিল্ম অসি নম্বদা মহাক মশানা Stunt অদু ওইজগে হায়না হায়বদা দিরেক্টর ওইখিবা Roger Spottiswoode না য়াম্না খুদোং থিনিংঙাই ওইবা অদুগী য়েংদুনা য়াখিদে। অদুমকপু মহাক্কী ফাইটিং সিনশিংদদি অঙকপা পর্ফোর্মেন্স মহাক্না পীখি। মমিং লৈরবা ওস্কার এৱার্দী ওইরিবা দিরেক্টর Ang Lee গী ফিল্ম Crouching Tiger Hidden Dragon (2000) হায়বা ফিল্ম অদু Mandarin লোনদা নম্বনি। অদুবু মহাক মতমদুদা Mandarin লোন অসি ঙাংবা ঙমখিদে। অদুবু ফিল্ম অদুগীদমক মহাক লোন অদু সূটিং তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা চপ চানা ঙাংবা ঙম্লবা তমখি। অদুগী মতুংদা সূটিং তৌখি। ফিল্ম অদুমক্তদা মহাক BAFTA 2000 গী বেষ্ট এক্ট্রেস ইন লিদিং রোলগীদমক নোমিনেসন ফংখিবনি। অদুগা ফিল্ম অদুসু ওস্কার নোমিনেসন চঙদুনা মনা ফংখিবনি। মহাক্কী ওস্কার নোমিনী চঙলিবা সাইন্স ফিক্সন Surrea Comedy ফিল্ম Everything Everywhere all at once হায়রিবা ফিল্ম অসি মমিং লৈরবা ক্রিটিক্সশিংনা *greatest performance that Michelle Yeoh has ever given* হায়না ফাওবা হায়রিবনি। ফিল্ম অসিদা মহাক্কী রোল অদুগীদমক ইহান হানবা ওস্কার বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দকী নোমিনেসন চঙবা ঙম্নগা লোয়ননা এসিয়াগী এক্ট্রেস অমনা ইহান হান্না ওস্কারগী লানবুংদা চঙবা ঙম্বী অমা ওইবগা লোয়ননা গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ ফংবা ঙমখ্রবনি। মসিদা নত্তনা ফিল্ম অসিগী রোলগীদমক Boston Society of Film না দিসেম্বর ২২দা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনাসু পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে। মসিখক্তা নত্তনা দুল্লিন ফিল্ম ক্রিটিক্স সার্কলনা বেষ্ট এক্ট্রেস, ফ্লোরিদা ফিল্ম ক্রিটিক্স সার্সকলনা বেষ্ট এক্ট্রেস, গ্রেটর ৱেষ্টর্ন ন্যু য়োর্ক ফিল্ম ক্রিটিক্স এসোসিএসন, Las Vegas Film Critics Society, National Board of Review, Nevada Film Critics Society, New York Film Critics Online, North Carolina Film Critics Association, North Texas Film Critics, South Eastern Film Critics Association St. Louis Gateway Film Critics Association, Chicago Film Critics, Critics Association of Florida, Denvar Film Critics Society, Austin Film Critics, UK Film Critics Association, Utah Film Critics Association, Women Film Critics Circle, Alliance of Women Film Journalists Awards and Hollywood Critics Association Midseason Film Awards নসু বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা পীবীখ্রে। তৌবগীদি মসিগী মমাঙদা মহাক্না কুম্বা ফিল্মবুদি ওস্কার নোমিনেসন ফোর বেষ্ট পিকচরদা চঙখিবা লৈখ্রে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মসিদা নত্তনা স্পেসল ওইবা মনা মথুম কয়া অমসু Michelle না ফংবা ঙমখ্রে।

Michelle Yeoh, Dickson Poon কৌবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমদা ১৯৮৮দা লুহোংখি। অদুবু ১৯৯২দা মখোয় অনী খায়নখি। ১৯৯৮দা অমুক ইনৌ নৌনা Alan Heldman কৌবা অমেরিকান কার্দিওলোজিষ্ট ডোক্তর অমগা engaged তৌনখি। মহাক ৱাইল্ড এনিমেলশিংবুসু য়াম্না লুনা তৌজৈ। সেভ চিনা টাইগর্স হায়বা প্রোজেক্ট অমগী পেট্রোন ওইরি। সাউথ চিনাগী টাইগরশিংবু কন্নবা অকনবা খোঙজং মহাক মশামক য়াওনা চঙশিল্লি। Michelle মালেমগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াগী জুরি মেম্বর ওইখ্রে। Michelle না ফিল্ম অমদি হ্যুমেনিটিদা তৌরিবা থবক কয়াশিং অদুবু ঈকায় খুম্নবা উৎনুনা অমেরিকা ফিল্ম ইন্সটিট্যুটনা ওনরেরি ডোক্টরেট ওফ ফাইন আর্টস হায়বা অসি ২০২২গী ওগষ্ট ১৩দা পীখি। ২০১৩গী নবেম্বর ১৩দা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া (আই এফ এফ আই)দা Michelle Yeoh না চীফ গেষ্ট ওইদুনা শরুক য়ারখি। ২০২২গী দিসেম্বর ৯দা Santa Barbara ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা Kirk Douglas Award, Michelle দা পীখি।

Michelle Yeoh মহাক মশাগী থবক্তা য়াম্না চেকশিঞ্জবা অমদি রোল অমা কুম্বদা য়াম্না সেরিয়স ওইবা মীশক অমনি। মহাক্না রোল অমা ফংবদা রোল অদু করম্না উৎকদগে হায়বা অসি মহাক্কী ওইবা দিজাইন অমদা পুথোক্লবা কন্না হোৎনজৈ। দিরেক্টরনা পাল্লিবা অদুগী খুদুং ইল্লগা মহাক্কী ওইবা ৱাখলদা ফাওরকপা কয়াশিং অদু দিরেক্টরগা পুন্না তান্নরগা মহাক্কী পূক্লিংনা পেন্নবা রোল অদু শানবা হোৎনৈ। মদুদা মহাক মতম মাঙবা পাম্মুদে। অদুনা মহাক্না হায়- "As an actor, you hope to find roles that are challenging to you as an artist. Then if you are truly blessed, you will find that it also carries a message that you can impart to your audience."

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৯।০২।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং,
ফাইরেলগী ২৯নি পানবা।

**মেষ:** লাইবক ফবা, নীংবা মপা চাবা, মীগী মতেংনা থবক পাঙবা ওইরসু অরুবা ৱা খন্নবদদি লৌশিং ৱাৎকনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** হন্থবা লোয়নবা অমদি লম চৎপদি মাঙগনি-পঙথগনু। য়েক্লবনা ঙমজগনি, খুৎলোইনা অফবা থবক পাঙবগী নুংঙাইবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** পুক্লিং লৈতানা থবক পাঙগদবা নুমিৎনি। হে তোংদুনা চৎলদি নথক থোংবনা তাথিগনি। ইমুং মনুং লোয়ননবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**কর্কট:** ওইজ-ওইথক ফংগনি, থৌনা ফুদোক্লা লন তানশিনবা য়াগনি। ৱাফংনবা অমদি য়েৎনবনদি চোপ্পা/অফা-অপুন্নবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** মতম মাংবা ফরনি-অফবা থবক পাঙহৌরো। মীৱা লৌবা/চিঞ্জাক কাম্লবা লাই-গুরুনা তাথিগনি। অরুবা খন্নবদা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** অরুবা অরুবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা পাইরক্কী লৌশিং লৈগনি, চঙশিনখ্রবা থবক্তা মায় পাক্লনি-নীংহন্নগনু। ঈৱাংনদি তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা নংবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা:** হান্নবা পোরম য়াৎথোক্লবা থৌরম নত্তনা পায়দবা ফগনি। ৱানোম থৌনোম অমদি অরং-অরাক্কী লমদদি চাওনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃশ্চিক:** মরুপ মপাং লোয়নবদা কান্নফম খঙলোই, অফা-অপুনগী থবক্তা য়াদবা নুমিৎনি। পল্লম্বা শেল, মীংচৎ ফংবা য়াবা লৈরে।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** হোয়া ফরুনু অমদি অঙম্বগী মনাক নত্তবনা ফবা নুমিৎনি। লেপ্তুনা হোৎনজবনা মায় পাকবা, মীয়ামগী মতেং ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুম্না লৌগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মকর:** মীকোক থোংবা ৱাবা অমদি থৌনা ফুদোকপা মতাং চাদবা ওইরসু, শেন্দোং লৈবা, ৱাখল থোকপা, নীংবা থুংবা খরদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কুম্ভ:** মীনা থাগৎপিবা, থৌরম শীনবা হৈবনা নুংঙাইজবা, নচাননাই/নহৈ-নশিংগী লমদা মায় পাকচবা লৈগনি। য়েৎনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী- অরেম্বদা তাগনি-চরাঙগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** শেন্দোং, মীচঙ, ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। মীতোপ্পা থাজবা থম্লবা, ঙাইঙমদ্রবা, অহৈ অশিং য়াম্না শারদি পুন্নমক মাঙলনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯গী ৱিন্নর তোংব্রম জিবোননা ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস): পাউচে অসিনা লিশাং শিংনা লেপ্পা লৈতনা চথরকপা লিটরেরি ক্যুইজ ৫৯শুবগী তাঙ্কক্কী ৱিন্নর লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়দা লৈবা তোংব্রম তেন্দেন অমদি তোংব্রম ওংবী সোরোজিনিগী মচানুপা তোংব্রম জিবোননা ওইখ্রে।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজগী ৫৯শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা তোংব্রম জিবোননা ফোঙদোরকখিবদা, হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা লিটরেরি ক্যুইজ লেপ্তুনা শীনবীরিবা অসিগীদমক ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। মতম কুইনদগী পাউচে অসিনা শীনবীরিবা ক্যুইজ অসি মমাঙদগী কয়ারক শরুক য়ারকখি অমদি ৱিন্নরসু কয়া অমা ওইখ্রে। হন্দকসু ৫৯শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা অমুক হন্না ৱিন্নর ওইরকপা অসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি। হায়রিবা পাউচে অসিনা লিশাং শিংনা চথরক্লিবা লিটরেরি ক্যুইজ অসিদা মীওই অয়াম্বনা শরুক য়াহন্নিংই। অয়াওবা খরনা অদুম্মক শরুক য়াবসি খজিক নুংঙাইজদে। অনৌবা কয়া অমসু শরুক য়াবীয়ু। মী য়াম্না শরুক য়ারিবমখৈ ক্যুইজ অসিগী মগুনসু হেনগৎলক্কদ্রা খঞ্জে। অদুগা ৱিন্নর ওইবগী খুদোংচাবা লৌজরগা ক্যুইজগী ৱাফম অসি খজিক নাথৈরগা ৱাফম খরসু থমজনিংই।

মদুদি মীয়ামগী সী এম পাবুং বিরেননা লুচিংদুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ৱার ওন দ্রগসকী থবক থৌরমশিং অসি অদুক্কী মতিক কান্নরবা, তুংগী য়ুম্বীরেলশিংগী খল্লগা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাংনি হায়জনিংই। মসিদা অচান-মীরাই, অচৌ-পীশক খায়দবীদা মান্নবা মীৎয়েংদা চথদুনা মরু ফংনা লমদম অসিগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মুখৎলসি।

লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী লম্বীসিগা থৌনরিবা গাড়ীসিগা য়াম্না চান্নদ্রে। লম্বী অয়াম্বা ত্রাফিক জাম থোক্লে। মসিদা ৱাখল তাদবা মীওই কয়ানসু হেন্না অৱাবা ওইহল্লে। মফম খরা পল্লবদা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন, ক্বাকৈথেল বজার, কংলা মনিং হায়রিবা মফমশিং অসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইহন্দ্রে। লেফ্ট সাইদলোমদা থৌগদবা গাড়ীশিংসু মমাঙথংবা গাড়ীশিংনা লোইনা থৎচিন্দুনা চৎপা য়াহন্দবনা অয়াম্বনি। মসিদি মাঙদা থৌরিবা গাড়ী মপুশিংনা ৱাখল তাদবদগীনি হায়নিংই। মরুওইনা পেসেঞ্জর চেল্লিবা দিজল ওটোরিক্সো থৌবীরিবশিংনসু খরা খজিক ৱাখল তাবগী তঙাইফদবা লৈ। মফমদুদা দ্যুটি তৌরিবা ত্রাফিক পুলিসসু নীংথিনা মথৌ তৌনিংদে। হেমলেট উপ্তুবা, মাস্ক উপ্তুবা অমদি গাড়ী নম্বর থাদবা ফানবা লৈবনা অয়াম্বনি। অদুগা রেদ লাইট ক্রোস তৌবগুম্বা ত্রাফিক রুল থুগায়বশিং ফারগা ফাইন চাউনা চাউনা তৌহঞ্জনিংই। মরমদি মদুনা শোয়দৌরিবসি মশাখক্তা নত্তনা অতোপ্পবুসু অৱাবা পীগদৌরিবনি।

হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ময়োল অসি গাড়ী অদুক্কী মতিক চিল্লে। মসিগী অচৌবা মরম অমদি গাড়ী পার্কিংগী মওং অসিননি। লম্বীগী নাক-য়েৎ অনীমক গাড়ী পার্ক তৌশিল্লে। মখোয় মখোয়গী শেল খরবু ফংলবদি হায়দুনা মফম চাবা চাদবা থিদরে। গাড়ী থৌরিবশিংনসু খোঙনা শাংনা চৎনিংদবনা অনকপদা লৈবদা হেক্তা পার্ক তৌশিল্লে। মসিনা লম্বী চৎপদা খুদোংচাহন্দ্রে। মরম অসিনা পার্কিংগী ওইবা তোঙানবা মফম অমা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা শীনবীয়ু।


লোয়ননা পাউচে অসিনা শীনবীরিবা লিটরেরি ক্যুইজ অসিবু পাবীরিবশিং অমদি পাউচে অসিগী ফেসবুক পেজদা থাগৎলিবা অসিদগী ৱাহংশিং য়েংবীদুনা লিটরেরি ক্যুইজ অসিদা লৈবাক মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। লিটরেরি ক্যুইজ অসিদা কান্নরবা ৱাফম কয়া য়াওরি। মসিনা ঐখোয়গী নোলেজ হেনগৎহনবদা অচৌবা কান্নবা কয়া পীরি।



Title : Flower
By : Albira
Class : IV Sec : Rose Roll No. 63
School : SL Arena of Learning



Title : A Girl
By : Koijam Chingkheinganbi Chanu
Class : IV Sec : A Roll No. : 3
School : North Eastern English School





Title : Herb Plant
By : Henthoi Oinam
Class : III Roll No. : 18
School : Unacco School, Kongman




Title :
By : Khuraijam Richard
Class : IV Sec : Jasmine Roll : 6
School : SL Arena of Learning



Title : Tree House
By : Mayanglambam Anjali
Class : IV Sec : Jasmine Roll No. 65
School : SL Arena of Learning



Title : Naruto
By : Riyan
Class : II Roll No. : 22
School : Laisukol School



Title : Fictional Moon Goddess
By : Sharungbam Taibanganbi Chanu
Class : VI Sec : A Roll : 5
School : Ajad English School




Title : India and Russia
By : Laishram Hayden
Class : III Sec : Roll No. :
School : Pitambara English School



Title : Swan
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. 2
School : SL Arena of Learning



Title : Scenery
By : Lanchenbi
Class : III Sec : C Roll No. : 47
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A House
By : Ningthoujam Maitakson
Class : K.G. Roll No. : 9
School : Kangleipak Modern School, Singda




Title : Eid Mubarak
By : Minsa
Class : III Sec : D Roll No. : 38
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Hut
By : Konjengbam Nungshiba
Class : III Sec : D Roll No. : 10
School :



Title : Ship
By : Tomthin Karam
Class : III Sec : C Roll No. 56
School : Standarth Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : Rojibala Th.
Class: II Roll No. : 16
School : Kangleipak Modern School



Title : Scenery
By : Chingangbam Salaingamba
Class : K.G. Roll No. : 6
School : Kangleipak Modern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।